**EGT–D–MNP**

# MANIPURI
## ( PAPER—II )
## ( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|

**ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল**

**পাউখুম ইদ্রিঙৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাণ্ডলূপ অনীমক (Section A and B) পূন্নগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর 1 অমসুং 5 তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাণ্ডলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকন্নবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরম্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোম্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) য়াংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।


# MANIPURI
## ( PAPER—II )
## ( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|


**QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS**

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE question from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

## SECTION—A

**1.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুম্মু : 10×5=50

(a) করম্না শরৌনা খুমন চনু চকপা শক্ষবীবু মরাল লৈবী ওইহনখিবগে? 10

(b) মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবনা লংমাইশিংদা লান্দারিবা করিগীনো? রাজনীতিগী ওইবা মীৎয়েংদগী কদায়ফাওবা চুম্বগে নৈনৌ। 4+6=10

(c) মতৌ করম্না অন্ধক মুনিগী শাপ্না দশরথকী মফমদা বরগুম্না থোক্লিবনো অমদি করম্না মপারীশিং ফংখিবগে? 3+7=10

(d) 'চন্দ্রকীর্তি জিলা চঙবা'দা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিগী লাইনীংপরৈ চেৎপগী মমি কদায় ফাওবা তাবগে নৈনরকউ। 10

(e) য়োইময়াই সনা থোম্নাদোনবু কৌথংনবা হোৎনরিবা করিগীনো? মতৌ করম্না কৌথংখিবগে? 4+6=10

**2.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

(a) কাইনৌ চিংথে ললউন থানবী কনানো? করিদগী মিংথোল অসি পীখিবনো? মহাক্কী পুন্সিগী পোলোই করম্না লোইখিবগে? 4+6+10=20

(b) 'ধনঞ্জয় লাইবু নীংবা'গী লৈমা তানু মতৌ নুংঙনবীগী শক্তন (চরিত্র) অসি হিন্দুগী সতীগী ফিদমদা শাগৎখিবনি হায়বসি কদায়ফাওবা চাশিন্নবগে নৈনরকউ। 15

(c) 'নুমিৎ কাপ্পা'দা কনানা কনাবু শীংনবগে? শীংনরিবা মীশক অদুগী হোৎনবা কনবা অমদি থৌনাগী মতীক-মগুণ শুগায়না ইরকউ। 5+10=15

**3.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

(a) মৈদিংঙু থোংনোং ময়াম্বনা মপাবুংগী করম্না য়াথং ঙাক্নুনা কদায়দা লান্দাখিবগে? লৈঙাক মপু অমা ওইনা লাম্লোং শীনবা হৈবগী মরমদা ইরকউ। 6+14=20

(b) "পায়মা নিংশা শঙহোননা য়াইপী শুহনতা, শরা হংথোঙ য়াঙলী তংনা শিশানরাকে।"

অশিবা শাদুনা লৈরিবসি কনানো? করিগীদমক্তনো? তমপা ৱাংঙম্লোন পাম্হোইবীনা মতৌ করম্না তৌশিন্নবা অসি খঙখিবগে? মরী লৈনবা মতাংশিংদু ইরকউ। 2+3+10=15

(c) 'রামায়ণ আদিকাণ্ড'দা দশরথকী লৈমা অহমগী মনুংদা কৈকয়ীনা লৌখিবা শীংথানীংঙাই ওইবা থৌদোকশিং অদু নৈনৌ। 15

**4.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

(a) "লংমাই তেংনা য়িমকাবা ইমোম নঙোম্দা নুমিনবা অসিবু লাইরেন মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবা মগুংলাংগীবু লৈকাই পুজরুক লাংবন লৌওন-লুক্কুম্বু লনশিংনগে।"

অশাউ থাম্বী মৈথৌরবা শেল্লোই লংমাইশিংগা মশাবী হোংনেময়োই খুঞ্জাওগীদমক মায়োক্লবদা পীতঙ্ঙাদা উবা ফংবা থৌনা অমদি লৌশিংগী মতীক-মগুণশিংদু শীংথাদুনা ইয়ু। 20

(b) মণিপুরগী ইতিহাসতা 'জিলা দরবার' হায়রগা খঙনবা মীফম অদু মতৌ করম্না পাংথোকখিবগে? য়ানখিবা ৱারোলনা করিনো? মরীক চুম্না নৈনৌ। 10+5=15

(c) "নিংথৌলৈঙাক্তা লৈবাক অমগা অমগা মরী চেৎহন্নবগীদমক মচানুপীশিংবু থবায় পান্দবা পোৎকুম পীথোক-পীশিন তৌনরম্মী" হায়বসি 'থৌৱাম্বাবা হিরান'দা কদায় ফাওবা উবা ফংবগে? মমুৎতানা নৈনরকউ। 15

## SECTION—B

**5.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুম্মু : 10×5=50

*(a)* কবি কমলনা 'সমাজগী ইতিহাস মপূংফাদে' হায়রিবা করিগীনো ?

*(b)* সার্টিফিকেটতবু পামজবী থারিকথা পুশিল্লকুনা সমাজ অসিদা চৎনরিবা মীগী মমল লেপ্পগী চৎনবীদা তোঙ্খানা করি ফোঙদোকপগে ?

*(c)* ''লাম্না ফংদ্রবা খঙহৌদ্রবা ৱাখল অমনা অচৌবা ঈথক-ঈপোম ওইরদুনা অমুক অমুক ফুজিল্লকই ।''
থম্বালগী পুক্নিংদা ফুজিল্লক্লিবা শাফু কল্লবা ঈথক-ঈপোনশিং করিনো ? করম্না ফীভমদগীনো নৈনরকউ ।

*(d)* জহেরানা থুংনববুদি নীংনবনা হেল্লা থোয়দারিবা করিগীনো ? মরম পীদুনা ইয়ু ।

*(e)* 'মহাভারত'কী 'ধর্ম্মনা জয় ওই' (যথা ধর্ম্ম তথা জয়) হায়বা পাউজেলগা থম্না থোইবীগী ৱারীগা মান্নৈ হায়না কবি চাউবনা করম্না পুখৎলকপগে নৈনরকউ ।

**6.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

*(a)* 'মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাৎলে' শৈরেং অসিদা কবিনা ফোঙদোকনীংলিবসি করিনো ? লমদম অসিগী পুন্সি মহিংবু কবিনা কদায় ফাওবা য়ৌশিন্না ফোঙদোকপা ঙম্মগে ? 8+12=20

*(b)* ''ফজবা করিনো ? ৱাহংশিং অসি হংনরকপা কুইরে অদুবু চপ চাবা অমতা ওইরবা পাউখুমদি ঙসি ফাওবা ফংদ্রি ।''
পাউখুম থিরক্লিবা মণিন্না শাস্ত্রীগী মোত্তা ফজবা হায়বসি করিনা লেপ্পগে নীংথিনা নৈনরকউ । 15

*(c)* 'হীনাই ফুঙ্গা লীংবা' হায়বসি করিনো ? চৎন-পথাপ (সিষ্টেম) অসিনা তমুবীগী মরাইবক ওইথি হায়না লৌবা য়াত্রা নৈনরকউ । 15

**7.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

*(a)* ''ঐনা পামজবা হায়ববু ঐহাক মৈতৈ নুপী অমনি হায়বসি খঙজবা অসিতনি ।''
মশাগী অচেৎপা ফিরেপ লৈবী অরুনানা মপুরোইবগী ৱাখল্লোনগী মায়োক্তা লেপথিবসি মরম চাই হায়না লৌব্রা ? নশাগী মীৎয়েং ফোঙদোক্কুনা নৈনৌ । 20

*(b)* 'লৈ-লাংবা'দা চিংডু থাংজিংনা মজাইবেম্মা থোইবীদা করি শাপ তৌথিবগে অমদি করি মরমদগীনো ? শন্দোক্না ইয়ু । 15

*(c)* ''অদুগা ৱা ঙাঙবা হৈতবা শাগী ময়ুমদা থুগায়বদি ইকায়বা পোক্তি । অসিগুম্না তাঙলবা পৃথিবীগী অমতা ঙাইরবা সেংচুৱারী অসিবু শাবা ঙম্না থুৎহৈবা থোরক্তবসু য়াই ।''
মহৌশাগী খল ঙাক্কুনা থম্না পাম্বী অমদি শা-উচেকপু নুংশিজবী অমগী মশক বিনোদিনীদা কদায় ফাওবা উবা ফংবগে নৈনরকউ । 15

**8.** বাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

*(a)* ''ঈখোং থোংনা মফমসিদা লাক্লে। লমদমসিদা থোংদাজরক্লে, পুন্সিগী থাজবশিংদুগা লোয়নননা, অদুগা থাজবশিঙদু —ঙসীনি ঙম্লমক উৎকী মপৈ ঙনখরে।''

থানিলগী থাজবশিংদু করিনো? মতৌ করম্না উৎকী মপৈ ঙনব্রিবনো? মচা খায়না নৈনরকউ। 10+10=20

*(b)* 'অনৌবা থুংলবা জীব'দা কবি ইবোপিশক্না 'মথন্ত থৌরী থাদ্দুনা শিজরে' হায়রিবা মীওইবগী ফীভম অসি নৈনদুনা ইয়ু। 15

*(c)* তাইবংপান অসিদা কনাবু অরেপ্পা মরূপ ওইনা লৌবগে? 'অরেপ্পা মরূপ' শীলাদা নৈনরকউ। 15

★ ★ ★